পোক্নফম

www.poknapham.in • THE LARGEST CIRCULATED MANIPURI DAILY • www.thepeopleschronicle.in



ম্যান্মাদা লৈবা মণিপুরীশিংনা মণিপুরদা লাকপদা ৱাখ্রে হিজম লৈরক্তা লৈবা পস্থৌনা ওকপগা লোয়ননা অচম্বা খুদোল তম্বা

লোক্তাক বৃগেদকী ২/৫ গোর্খা রেজিমেন্ত অমসুং তৌবুল রেলফিয়ার এসোসিএসন অনীনা শীন্দুনা তৌবুলদা পাঙথোকপা ফ্রী মেদিকেল কেম্প



গ্যাসকী পাউ লামায় ৫ দা

| অঙৌং - অশা | | |
| --- | --- | --- |
| ইংবা | শাবা | নোংজুপী চাং |
| 9°C | 22 °C | 0.0 mm |

GOLD (24k) ₹ 25,620* *Per 10gm in Kolkata

INR / USD ₹ 66.8365 / 1$

IMPHAL, SATURDAY, DECEMBER 5, 2015

# ফৌ মখল তরুক পি পি ভি এফ আর এ সার্তিফিকেত ফংলে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

**ইম্ফাল,দিসেম্বর ৪ঃ** স্তেতঅসিদা মহৌশাদগী লৈজরকপা হৌজিক্লা য়াম্না তাঙনা ফংলবা ফৌ মখল তরুক হন্দক্তা মিনিস্ত্রি ওব এগ্রিকলচরগী মখাদা লৈবা পি পি ভি এফ আর (প্রোতেক্সন ওব প্লান্ত ভেরাইতিজ এন্দ ফার্মরস রাইতস অথোরিতি) গী প্লান্ত ভেরাইতিজ রেজিস্ত্রিদা রেজিস্তার তৌখ্রে।



মণিপুরগী ওইনা ইহান হান্না রেজিস্তার তৌরবা ফৌ মখলশিং অদুদি, মোইরাংফৌ খোকঙাংবী (নম্বর ২৩৯ ওব ২০১৫); চাকহাও পোইরৈতোন (নম্বর ২৩২ ওব ২০১৫); চংলৈ (নম্বর ২৩০ ওব ২০১৫); কুম্বী ফৌ (নম্বর ২৩৮ ওব ২০১৫); তাওথবী (নম্বর ২৩৩ ওব ২০১৫) অমসুং ফৌদুম (নম্বর ২১৪ ওব ২০১৫) নি।

ওল মণিপুর ত্রেন্দ মেদিসিনেল এন্দ এরোমেতিক প্লান্তস প্রমোতর্স কন্সোর্সিয়ম (অমাপকোন) না মরু- ওইবা থৌদাং লৌদুনা ফৌ মখলশিং অসি মিনিস্ত্রি ওব এগ্রিকলচরগী মখাদা লৈরিবা প্রোতেক্সন ওব প্লান্ত ভেরাইতিজ এন্দ ফার্মরস রাইতস অথোরিতিনা রেজিস্তার তৌবগা লোয়ননা মরী লৈনবা সার্তিফিকেতশিং অমাপকোন্দা থারক্লে হায়রি।

পি পি ভি এফ আরগী মখাদা প্লান্ত জিনোম সেভিয়র ফার্মর রিৱার্দ ২০১২ ফংখ্রবা অমাপকোনগী প্রসিদেন্তসু ওইরিবা পোৎশংবম দেবকান্তনা **পোক্নফম**দা হায়, মহাক মশানা ঙল্লিঙৈ

***মখা লাঃ ৫, কলম ৫ দা***

লমায় ১ গী মখা

মতমদগী হৌনা মণিপুরদা মহৌশানা ফংজরক্লবা মেদিসিনেল ভেল্যু লৈবা পাম্বীশিং অমসুং ফৌ মখল কয়া অসি য়োকখৎনিংবী পান্দম অমগা লোয়ননা থবক তৌদুনা লাকখি। হৌজিক চাথোক হেন্না পুথোক্লিবা হায়ব্রিদ ফৌ মখলশিং অমসুং অতৈ ক্রোস ব্রিদ তৌদুনা শেম্লবা ফৌ মখল কয়া অসি লৈত্রিঙৈদা মণিপুরদা মহৌশাদগী ফৌ মখল ৩০০ গী মথক্তা হৌরমদুনা লমদম অসিগী মীওইশিংনা চানরমই। অদুবু, মতমগী মতুংইন্না মীশীং য়ামখৎলকপা মহৌশাগী ওইনা লমদম অসিদা থানরম্বা ফৌশিং অসিগী চাথোক্লা ৱাৎলকপা কয়া অসিদগী মহৌশাগী ফৌ মখলশিং অসি মহাও লৈরগসু পাম্নরক্তবনি। মসিনা মরম ওইরগা ফৌ মখলশিং অসি মুখরক্লবগী মরম অমসু ওইরিবনি।

মহৌশাদগী থানদুনা লাক্লবা মণিপুরদা ফংলিবা ফৌ মখলশিং অসিগী মহাও অসি অতৈ লমদা ফংবা ফৌশিংনা য়ৌবা ঙমদে। মহাও অদুক্কী মতীক লৈ। লোয়ননা মেদিসিনেলগী ভেল্যুসু য়াম্না ৱাংই। ফৌ মখলশিং অসি চাক ওইনা থোংবা মতমদা এঞ্জুং য়াওদ্রবসু থুমদংগা তোৎলগা পৃক থন্না চাবা য়াবা ফৌ ঙাক্তনি।

হৌখিবা ইং ২০১২ দগী হৌনা মিনিস্ত্রি ওব এগ্রিকলচরগী মখাদা লৈরিবা পি পি ভি এফ আরদা লমদম অসিদা ফংবা ফৌ মখল ১০০ সমিত তৌখ্রে। অদুগা অতৈ ফৌ মখল খরসু হৌজিক লেপ্তুনা থিগৎলি। সমিত তৌবদা য়াওরিবা ফৌশিংগী মনুংদা চাকহাও অমুবী; চাকহাও সেম্পাক; হৈতুপ ফৌ (চাকহাও মখল); চাকহাও অঙৌবা; ফৌরেনমুবী; ফৌরেন; লাইফৌ; লাংফৌ; ফৌরেন অকৃপ্পী; ফৌরেন ফৌজাও; ফৌরেন নোইনিং; ফৌরেন ফৌদোংবা; ফৌরেন তুজোম্বী; ককচেং ফৌ; ফৌদুম্মুবী; চাকহাও অঙাংবানচিংবনি।

পি পি ভি এফ আরদা রেজিস্তার তৌরবা ফৌশিং অসি 'ক্র ব্রিদর' নি হায়না লৌবগা লোয়ননা ফৌ মখলশিং অসি কনাগুম্বা অমত্তনা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌবা য়াররোই। লোয়ননা ফৌশিং অসিগী ক্রোস ব্রিদ শেমগে হায়বা মতমদা **অমাপকোন**দগী হান্না অয়াবা লৌবগা লোয়ননা মদুগী রোয়লতি অদু অমাপকোন্না ফংগনি। অদুবু, অমাপকোন্না লমদম অসিদা ফংলিবা মুৎখিগদৌরবা ফৌ মখলশিং অসি য়োকখৎনবা হোৎনবগী থবক অসি মণিপুর সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্তমেন্ত ওব এগ্রিকলচরনা হোৎনফম থোকপনি। মণিপুর সরকারগী দিপার্তমেন্ত ওব এগ্রিকলচরনা স্তেত অসিগী য়েংলগা অমসুং লৌমীশিংগীদমক্তা হোৎনফম থোকপা অসিগুম্বা থবক অসি মখা তানা দিপার্তমেন্তনা ওইনা তৌহন্নিংই। মণিপুর সরকারগী দিপার্তমেন্ত ওব কর্ম্মস এন্দ ইন্দস্ত্রিনা লমদম অসিগী ইয়োংদা শাবা ফি মখল খরা জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন নম্বর লৌদুনা অতৈ অতোপ্পা স্তেত অমত্তনা ফি মখল অদু মতৌ তমহন্দনবা অমসুং মখোয়গী দিজাইন্নি হায়না ক্লেম তৌবা য়াদনা থবক পায়খৎলিবা অসিগুম্না দিপার্তমেন্ত ওব এগ্রিকলচরনসু হোৎনহন্নিংই হায়না দেবকান্তনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহৌশাদগী চানরক্লবা ফৌ মখলশিং অসি অয়াম্বনা ফুদ ভেল্যু অমসুং মেদিসিনেল ভেল্যু লৈবা ঙাক্তনি। অয়াম্বনা হায়লি এন্তি ওক্সিদেন্ত ওইবা মরম্না কেন্সরনা নাবা, হার্ত দিজিস লৈবা, দাইবেতিস লৈবনচিংবদা চাবদা কান্নবা চেঙ ঙাক্তনি হায়রি।

হৌজিক অমাপকোন্না ইম্ফাল ইস্ততা লৈবা উয়ুমপোক্তা ফৌ মখলশিং অসি থাদুনা য়োকখৎনবা হোৎনরি। মহৌশানা ফংবা লমদম অসিগী ফৌ মখলশিং অসি চাথোক লৈত্রবসু লায়না তিন্না থোইনা তাগন্দবা ওই। মরুওইনা চাকহাও মখলশিং অসি ইন্দিয়াগী ৱাংমা য়াওনা ইন্দিয়াগী অতৈ স্তেতশিংদা য়াম্না পাম্নবা অদুগুম্বা ফৌ মখলশিংনি। হায়রিবা ফৌ মখলশিং অসি অতৈ স্তেতশিংদা মরূ পুদুনা থারবসু নিংথিনা হৌবা ঙমদে। লৈবাক লৈহাও অমসুং ঈশিং নুংশিৎকা চানদবসু ওই। মরম অদুনা মুৎখিগদৌরবা ফৌ মখলশিং অসি নৌহৌননা য়োকখৎপগী তঙাইফদবা অদু লৈরে হায়না পোৎশংবম দেবকান্তনা **পোক্নফম**দা ফোঙদোরক্লি।